থবক অকনবা শংবা হৈতে, শীং থংবনু কৈশ্যানা অতুম থাঁর। অমুক্তাওদি অচৌনা শান্নবা য়েংবনা মহাক্না মুংওইজবনি, চৈতেং কোংগী মাংবল, ফিবুল হাবী শাগৎপা মাতু মথৌমক ওইনা লেপ্লুনা য়েংজবিরমশি। মীচং হাংলবদি তম্লাইক্কদনা মহাকপু হেক মাংশিন্নিপোংনি।

মাংশং ভুম্লি চল্লকপা মুমিজ্জুদনি। কৈশ্যানা চথোক্কদৌবগী লেপ শাবজুনা মপুংগী ইবদা মঙনা য়েতুদা লৈ। কোম্বোংলোমদা পাথং মচা মরি মঙা তাইজনা লৈ। হন্দক অমুক্তাওবা পাথং মচাশিং অচিগা তিন্নচুনা কোয়বা চংবিন্নবগদি উবগা কৈশ্যা লংলাঙদা লাঙনিংই। থোন থং কল্লগা হংই, "পাথং মচাশিং অমিগ কদায়দা চংবদোরিবনো"? অমুক্তাং থুম্নমদনা খোকথি মরাল কৈরবা মমিং অনিচুন কৈশ্যাহনবীদা য়েংবা ঙমখিদে।

য়োম্না নিনি লৈবগা পাও অমা তারে মচুদি অমুক্তাং লাযোন লৈকাইদগী য়ৌ অমা কোয়রে। মাওশং মচুং চুপা অমুক্তাও মফমচুদা চামিন থকমিমজুনতা লৈ। পাও অসি হেক তাবগা কৈশ্য মথৌ কংথি ম্না হাংবা ঙমখিদে মতিং তম্দন পাইথি। মথন্তা হাক্চং কয়ামক হংজখি অচুবু হাংহগী পাউথুমদি লৈহে। "ঐনা মতোঙ্গা করি লানথেংবগে" হায়বসি মহাক্না অমোইবা চাহংনি। মীওইবনা ইহান হেক লানবনক্কদা নীগী মরাল উই; মইং-থংদা মশাগী মমাস মশেংস মথাং উরকই। অহুবু কনা কমাঙ্গবশিংদি গুকউবু উবা ঙমদে। কৈশ্যানা মমৈথংদদি ঈথবদা অমুক তাইনবা কোয়রক্লে, "তাবান নংনা ঐগী ইমিংতা ইচা অংতা উহনবিরবশিবু

ঐগী পাপ কয়াম্নুক লৈরে-রে? পাপ কয়াম্না তাশিন্দুনা নুপী ওইনা লেপ্লে, অদুগা ঙম্বা চাবোক্তবী" !!

ফুঙ্গা'নাক্তা ফম্লিবী নেমশী লোক থুবা তারক্লে। চাক থেংলে। কৈন্যা ইরুক্তবা চংখে।

য়ায়শং লোইখে। অমুক্তাও নুমিদাং থরা থরা থেংনা লাক্লবদগী নোংমদি অহিং চুপ্পা হল্লক্লে। লোং জাম্লগা পাউ তারে, নুহুদি নুপী অমা চেল্লক্লে। লৈকাইগী মী অমা অনি তিল্লি। কনানা কৈন্যাহনবীবু থেমই, কমা'মনা অমুক্তাওবু শাওই। অমুক্তাও'মমা নুংগৈ থক থক নিক্তা মচানিপাবু চৈরি, "নুপী অদু ঐগী য়ুম অসিদা পুশিল্লকপা য়ারোই লায়রু। কৈন্যা তাখিবরা নংবো; ইম্মা, কপ্লিবরা নবো, ঐ লৈরিভেদা নংবু কনানা লাকচগনি".

হায়রবতু কৈন্যানা তাখিবরা তাদবরা থংদ্রে। পৃথিবীসিদা মহাক্তীনি হায়বা হন্না য়েংবদা মথাং শোন্ব তিংনা হৌগৎপা চমজদ্রবী য়াথক য়াথা অনি তুনা হাংলবী অহল অসিনা মরোম্ররে। অদুবু কনানমু ফুঙ্গা'নাক্তা ফম্লিবী অহল অদুগী য়াথং লৌবা চংলকখিদ্রে। মানা মানা থোকপা অমুক্তাওগী পোইরৈ য়েংহনা থবক চথখে। য়া থংবী কৈন্যানি ; মনেমগী থুম্বা অতুদা মহাক্তী ফমুং হোংজিনখে। মাগী পোথাফম লৈতে, না তাখিরবী অহল অদুগা করি য়ারনো কৈন্যাগা শাগদোরিবা।

মৌ অনৌবীতু মথোং হেক থাংজিল্লকপগা কৈন্যা লৈরবা ওবদা কি-কি কামই। অদুবু কৈন্যা ওম্থোক্লবগী থোনাদি অমুক্তাওদা থবা বাৎপগুম তৌই। মসিদনি মৌ অতোনবীনা প্রান য়াম্না চাক্লিবনু।

সমেনবোক্পী থুরাদ কৈন্যা কয়া কুইনা খাংবা ও সেৌরিবনো চ'য়না ওয়রক্রে। অরোম্দা মৌ অতোনবীগনা নোংমা নোংমগী চাওবা অসুম অসুম হেনগৎলক্রে। কৈন্যা ইমুং অসিদা অবৈবা মীনায়গী পাম্বক ওইরে।

নোংমা অতোনবীগা অমুক্তাওবা করি কয়ৈনো ওং মুং য়াম্না ওংনরে। কৈন্যা পুন্নিংদা মুংশা থি, করি তৌরবকাংনো খল্লি। খগ্রা খন্না কৈন্যা কি শুবা পুন্নি মপান্দা খোকসে; ঈশিং পোক্কংতুনা কি পায়দা মত্তায়দি। অমুক্তাও, মাগী চুংদা লেপতুনা লৈরই। কৈন্যা ইক্কক ওকই। তাক্তাদুদা অমুক্তাওনা "নতোন্দা ইমানা খজুর মরি অমা পীখিবদায়, মচু ঐ তোন্দা পীরে"। কৈন্যা পিং লাওনা শাওনিংই,—"ঐগী মনা অচু অথোক্পা পীগনি, মচু মচু অতোনবীদা পীথোক্লগের? ঐদি নংগী নুপগী নত্রে! ঐ দ ইশয় লৈশানা লাকপনি। ম'দোনা মকম মরাং খ'দগী নংতনা।" য়া অসি হেক হায়বদা অতোনবীসু ফন চোংথোক্তুনা "করি হায়বা!! ঐবু!! ঐবুবা মথম মরাং খওদবীদা হ য়খিবনু" হায়দুনা কৈন্যাগী মশম লাক্লরে। কৈন্যাসু হায়দবদি হায়দুনা ফুক চৌশংতুনা ফুনরে। অতোনবীদ নত্তে, অমুক্তাওসু য়াওনা কৈন্যাবু কুপিরে। কৈন্যাদো তুশিন্নবদগী হৌগৎপা ওয়রে, লৈকাইগী মীনা খামত্তনা লোক্লে। অদুবু কৈন্যাগী মৈদি মুংলু হায়বা য়াত্রে। অমুকসু খল্লি, "তোল্লিদা কৈন্যা নংদি। থংস্বায়গী মপি ছুখিবদি করিসু হায়বা ওংহৌদ্রগা করিসু লৈতবা মনাগী খিজুর অহুপীদনকি পাঙ্গল থেক্পা মুনকরি।"

মশম মনা ইকা কানা মক শুকখচুন, মাচংনা নচুং ফংবা করিগু চাদনা কনচুনা লৈখে।

কনাম্বদনোনা চৎখ্রগে খল্লি খল্লি. অতুবু খোং থাংদোকপা ওমদে মরনদি সংসারসিনা মহাক্কী চংজক লৈতে। মহাক্কী বাখল হকচাং ইতাও তাপনা লৈরি। শাওনিংখিবদগী ঈশং কাওবা য়াম্ভোন ৎংশিংল্লে। খল্লু খল্লুরগা শাওনংবা অন্নুম অন্নুম হেনগংলক্লে। অঙাওবীগুম ফুক চৌগৎতুনা চৎখ্রগা উপু লৈরিবা কাচীন অদোমদা চোংচিনখে। উপু মমুংদগী পিক্কবা তরং মচা অহু লোথোক্লে। মরোল কম্মামুক্না মোংচুনা খম্নীবা সনাগী বিঙ্গুর অহু তপ শায়চনা অমুজাওগী মনাক তামা চোংচিনখ্রে। অমুজাওনু মমায় মখং ইমা মমা মমাস্বু মগী ওন্দু না কাচনা লৈরম্মে।

"সে — আ! নংগী নপেংনি; নংনা কংশিবা মীচুদা শীজখো। চৌফিক মপক করি পাল্লি। হায়যু থমায়সিগু লোশেরা-?" অসি হায়চনা লিক অহু লাক্তনা লংশিনখ্রে।

অমুজাও লিকতুংদা হন্না য়েংলুদে, হোষ্ট মাইস্ব করিমতা হায়কোদে। কৈঙাহনবীগু হাইরং তুরং শাক্লগা মনেমগী খুযাদা বোম হাইথচুনা হিপখে।

ওইহাক লৈরগা অমুজাওকা অচুম্না খোংনাং ভপ্পা তপ্পা থাংচনা চালকপাংও তোরমই। "কেন্টঃ ঐ নত্তোম্দা য়াম্না শান্নে। মপী অসি চংহনখ্রগে। ঐসে মতম খরা জ্ঞান তাক্লদ্রে পুম্নমক মীনপা ওঙাক্ননি। ঐনা নংবু কৈথোইডদম্ব শাংলোক্লোই।" মনেম্মা লোক খুরুপমা কৈঙ্গ মিং থংগং পাংলোরকপদদি কা অমুদা অমুজাও ওক্নন ন্রে।

ফিরালগী ৱারি

ভেট ভৌগনৌরে। লৈকাই লৈকাই খুদিংমক্তা মচু কয়াগী ফরাল য়ুংখংনরক্লে। মখল কয়াগী মার্ক য়েক্লব চেগী পরেং রেং সেংদুনা সোঙোকী লৈতেং ওইরক্লে। অতং অথম লৈতনা ইক্লা শুংশিবিয়ু চানবিয়ু হায়দুনা ভেট নিবগী খোংজেলনা বা কৈবা ওংশিল্লক্কে। কনাবু চানবিগদৌরিবনো? কনাবু শিশিংদৌরিবনো? ঐখোয় খংদ্রে? তুপ্পা কায়রবা কাওবু দি ভেট অ'সদা লোইখবদি করনি হায়রে। চোংখোরক্লবা কঞ্জেটকিং মশক হেক খংলকপগা লোয়ননা থাদগদৌবা মীশু শা অহুম লোইখবনি। মিংলু ইরা চেল্লিবা, খোঙ্গাং হিক্লা ল্লিবা, ভেটকী ভিক্ষা নিরিবা মহাক অহুম মরৈবাক নিংবা। গ্না লৈপা খুজোক থনা পায়রিবা, য়ুমখোং খুদিং চংলিবা ভেটকী ভিক্ষা নিরিবা মহাক অহুম অপোংবা নেতা। পোক্লবদি বনি, শিরবনি পোকপনি। নংগী নংগী থবক্কী শিবা তাবনি, ংবসু তাথনি।

নিংথৌমগী খেংজাল অদুক্ত মহৌশাগুম ফিরাল অদু হাই- রে। চয়াং কাংশবা রা অমা, মতেংদা অঙাংবা মচু, মঙ্গা ক্লিং কৌ চরোং থাঙ্গোল। কুইরেদা ফিরাল অসিনা নিংথেম- থায়গী খোঙ্গালবা ক্লে ক্লে চাইনা থংলক্লবা। নিংথেমগী পিরিল্লবা মপা অদুদোনগী হাকচংগীনি ফিরাল অসি। মতম না কুইংলে, অমুদোন লৈমথ্রে অহুম হৌজিক ফিরাল অসি নিংথেমগা অমুক কোয়হোবে। মপানা নিংথেমনা খোইবা

পাউমেয়রকপগী রাস্তা নত্তে, অ খোমদা নিংথেম পোকপী মমাগী
ফিরাল অসিগী মরমদা কৈরি থোক্কনা থংজদে! ফমুংদা কপ্লা
অহু পৌথোক্নবা নিংথম পানা চংখৎলদা. থাউমে লাক্লাকই
পুথোক্নবা মাঙোল উথোকতেন্দুনা 'হন কপ্পু থকনবা ওইবদ'ল।
লাক্লগদ্বু করি থোকইদোকপা হায়রদে, থোং-থুং হাংদোক্নবা তুমন
ফমুং চংই। হৌজিক্তি মহাক অনিমক পৈখিদ্রে। তোঙবান্দা
অনিমক্কী নোংফম লৈ। নোংফমঙুদ' অরোনবা রাদি কয়া কয়া
ফংথখ্রবা—অহিং মৈ ওইরকপদা মহাক অমিগুম লৈরিন্নবা
রারিশিং হু শানরমগদ্রা? অদুবু নিংথেমগী খোঙ্গাম [illegible] অকনু
পাইরি ফিরাল অদু মমা' শংখ্রবা নোংশাঙুম

নিংথেম কল্লক্লে। ভসাইমথৈ চেক্কী হাজিরা তুবা মাংওক্কবনি।
ফুরিংথউদা লুপা ১৫ ম'ওরি। থোংকাপ থুনা কাল্লকই—
অঙাংশিং চাক লায়রকদ্রবনি থল্লি। থোং পে হাংদোক্ললনা চংলকই।
ইঙকতুং ওকই মেমচাদি চাক লোইরা'দৌরে। 'এ: ! ঐদি চেং
লৈরমগোইদ্রা হায়রহনা রাক্নদ্রেদা। নংদি চাক লোইদৌর-
রোইরে।" নং ভসাই চাক নিংথি-জুংঙাইনা চাথিদবহৃদা ওক্কা
থোংলবা। থোং থুং হায়দোক্ল্রো চারসি।"

নিংথেম পুথিন্ত চংখ্রে, কিন্তু সাবোন মতেক অমগা পায়খি।
থংনবা খোঙ্গালদা মী শ্রু শ্রু তৌরে, থরা অমনা উথুম তৌরি।
ভাইহাক লৈরগা নিংথেম কাব ভাবে; ফিরাগ মুংলিবনি।
নিংথেম হঞ্জিনিংবা অমগা রাওনা মুমা থেংহুনা লৈরে। ভাইহাক
লৈরগ মা নোকফেং খোকফেং তৌহুনা ইমুং চংলক্লে।

"হায় মেম্চা, অদু থংবগী অহল অসিবু কংগ্রেসনি হায়ব-দাইবে ?" "মাখি বৈথেৌরবগে—মী, কংগ্রেসনি মহাক্মদৈ অচুক য়াম্না কন্নিবনি।" হায় লৌমজিক জনাতাগী ফিরাল অমুক হাইগদৌরেদে।" "হেরা, কদাইদগী লোদা।" "নংনা খাজত্রগী থেঞ্জুসি লাও।" "ঙাংবিস্ত্রু, অদুগা মুখৈদা চাক লোইজগে তৌরবনি ; লমচাক চাক্ষদৌব য়াম্না লৈরিপোংনি" 'করিনোনে মসি নুপী সবো মীনা হায়রগ থাজদেনে, অমুক্ত যেগো" হায়দুনা লাঞ্জদবী মেমচাগী খুদাং পায়দুনা চাকথুমদগী চিংথোক্লে। মেমচানা শোকলকনু অশেংবনি হায়না হায়না নিংথেম্না অচুম চৗংদুনা থোঙ্গাল যৌথে, উরে তশেংবনি হায়রিবদু জনাতাগী ফিরালনি ; অচুম্বনি।

অনিমক তুমিন তুরিন চংলকই। তশেংবদু উরক্লবনিনা খংনিঙাই লৈত্রে। চাক থিদোকই' মমায় ওনশিন্নদুনা চামিন্নরে। ঙসিদি অরাংলোমগী শুমাংদা গাড়ী থোজিনবগী মথোল য়াম্না তায়, মেমচানা হৌদোকই। নিংথেম করিসু খুমদে ; মহাক য়াম্না বারবনি। নেং সুং ঙানবদগী হাজিরা সুরুবনি, কমু' চংথে ; ফিরালগী বারীদু লোইশিনখিত্রে।

মতৌ অসিগা চপ মান্ননা কুইররবগী মমাংদা নিংথেম মমানা মপুরোইবদা হংখি, "মথোয় বাজিনা মিটিংনি হায়দুনা অহিং ভথাব অময়ম তুমত্রিবসিবু করি থান্নগদৌরিবনো ?" অহিং মথৈ ওইশিলকল্লবা মতমদা মথোং নোইয় নোইয়দুনা বাহং অসি হংখিবনি। মতমদুদা নিংথেম মপানা 'বা য়াম্ন' ঙাংগদু ঐ বাবনা

লোইরপোংনি" হায়দুনা হংকচগী পাউথু পীরম্লদ্রবনি। অসিনচু নত্তে, রাজং কয়াগী পাওখুমসু পীরম্লদ্রবনি।

মথক্তী চৌখিদা ভোট হুদনা অদোংথংনগা লোত মায়দবদগী নিংথেমখোয় ইমুংগা কল্লা লোন্দিন্নদে। মখোয়শিদি মরাইবক ফবনিনা সরকার পাংদে। চাকপু চানবনে, ইশেবু কৌবনে শাবম্না চোংলিবা, মখোয়গী নী ভাংক্লা ফাংদে। নিংথেমমচৈ মনাওদি মপাল খোক্লে, বেড়ি মপুন অমত ভলিইক্লা লৈহৌরগা খোং ভন্না লোন্দুনা কুপ্প তাবা দুখিং সদু লেংল্লাকই। মীচম্না রাজনিতি তৌবা হায়বসিদি মনা পাপকী মশক্নি। অদুগা অংবগীদি মচা-মশু লোইনা থবক তৌখে। মখোয় ইমুংগী শাইদগী অহল ওইরবা চন্নবদু কাওদ্লা চৌকিদারগী ওইখে, তেলব চাখে। অমরোমদা নিংথেম মাগী মযুমদি নোংমা লোংনগী নংবা লেঙ্গিলক্রে। মমা গানা নোমগা চাক চারা অনমন গানা কংদি। ভোট হেক নৌরকপা খুদিংগী হায়নবা তৌনন থোঙ্গান্দা কৌ-চরোং খাঙ্গোলনী ফিরাল অমা হাইশংপনদি কদায়দগী লাগদগে। মী পুম্নমক নিংথেমগী ফিরাল মশক থক্লে। মা কনামসু ভোট থোম্নবা তৌদে। পংথবা মী কাওবা লৈপণা মাওদ্রবদি ভোট থোবা য়াদে হায়বা থক্তই। লৈকাইগী এচিন মওবা নহারোলশিংনা "তানিংথেমগী ফিরালসি কামদ্রেদা অমা শিন্দোক্লসি"। নিংথেমনা মদুভদি ময়াদ্রে।

এরি না তল্লীবদা য়াওরক্লবা পাবাগুম ফিরাল অমা হোংবগী বাথল—থল্লুবা কাওবা ভকদে নিংথেম হাজির শুন্নবসু কোয়না

চৎপ মীনিনা পুম্নক খঙই পুম্নমক উই। মী অমতনা হঞ্জিন হক্তিন তোঙান তোঙানবা রাজনিতিগী মায়থুম উপ্তনা লৌরিবা সুবিধা। করিসু লৈত্রেবা হাজিরা শূধা নিংথেমনা মখোয়শিংসে উংশা নোংকেং তৌরিবা করিগীনো? হায়রা অর্থ চেনবা মীনোক ওইরগদ্রু য়াই। মরিল, খাবা নিংথেমনি, চৎনুরবা খোংথাং কৈদৌইঙেপ্পু নিংঙ্গনা চেক্ষেৎরক্লোই।

ওসিমু নিংথেম হাৎগুম হাজিরা শূকমদগী পরপ পরপ হৎকই। ওসিদি নিংথেম খোংরাং খেংঙ্গশা ওই। ওসাই ঠিকাদার কাবুক্লা হায়খবগু নিংশিংলকই, মাগুম্বনগু পিশুন শুক্লা চৈথিবা— "বলাম টি কেনমল্লে, লেল তোংলরোই" খনবদগী শাউমন্দুনা তৌরিবনি; লাকচখেদা লায়রবা হায়বসি। ঐগী ইরালদি করিস্থু লৈতে, লায়ররুবা অসিমক ইরাল ওইবা তাই। ময়াং থবক শুবশিংদুদি ওস ভুমিন ভুমিন ওংখি। কৈ তাসমু অহুবু রা অমদি লৈ। ঐদি মীনায়গী থক্ক মপান্দে; থবায় মীরেল অসিনা মীনায়বু তুকচে। লনথেনবা মৈতৈ হায়সমু। শিংলি পুশিংদা নিংশা তম্বগী ঈ মরিক মরিক য়াওরি। মখোয়শিং অসিনা কেক তাক্লবা মতমদা লাক্ল-ফানবা ওবত্রবা থম্মোয় অমা ওইরকই। মসিমক্সু মীনা শেম্বা নত্তে, লাইনা শেমনি।

লক্কেল লৈহৌরে; কস্তুরি-খোং লাক্লে ক্লগা করিগুম্বা হুকান খোং হাংলবদি বিড়ি মপুল অমতা লৈখিগে খন্দুনা বাজার য়ুমায়দা চংশিল্লক্লে। হুকান ওম্বা খোং লোনখে। "য়েমচাহু য়ায় লৈপনবনি লৈরবসু য়াই, ঘুম মৌগ্রাপ" খল্লহুনা লাক্লে

পুমচিক চৌকই। মহাক্কী নুংবর খোংউংকী মখাগদা মহাক্কী মশাক্বরে, তারিবা ফায়বনু। করা চংলগা কৈশাম্পা? থোংশু য়েংলি, কম লাউনবগী খোঙ্জেল তারে। দং দং লাউরা মখোলশু য়াওই, ভাইহাক লৈরগা অমুক তুনিম লৈথিবশুদশু তৌই। নিংথেম লকক তৌই। থুনা চংশিনবা ঙমদ্রে। মনাক অহুরাইদা থাহনা লৈবা জীপ অদু মী অনি খোরকুগা য়াম্না কন্না খোংগ্রে। নিংথেম চংকদবা হঙোইরে, য়ুম অদুদগী কনাশু খোরকপ উরে। তপথবা য়াদ্রে, য়ুম য়েংহৌরগে হায়না মখোং লাউনা ক্লাউনা কাহক্রে। জীপ খোংথিবা অদুগী মপা অহমক্তদা লুম লুম লাওবা মপুল অমা খোংনা হেক খেংলুরে। নিংথম্মা লুপথনা য়েংবদা মৈশাল অহুদা ইশিং লংনা চাম্ব-চংপি মপুল অমা তাহনা লৈবা উরে। নিংথেম লাংতক্লবা থম্মোয় অদু ফাজিম্ববা হোংনরকই। পেং অদু পুহনা চংকদ্রা? খুল্লবদু করিগী পুরেইদগে, তাস্নীবসি পৈশানি।

য়ুম হেক য়েংবগা খোকখিবা থৌদোকশিংদু মহাক্কী হুপীদা লাপ চৌক্লা অমতা চিথদনা তম্বা চৌরকই। মিপাই চাওবী মেমচানা "নংবু তাঙ্গরক্লনা ফারবদি কমদৌনি" হায়। "লাকপু লাক্লবদি কৈ; খুল্লকপনি, হুরানবশু নত্তে—পীখোকখিনিনা"। থম্মোয় চাউবা নিপানিনা ইলায় লায়না খুমদোকই। মখোয় অনি হঞ্জিন হঞ্জিন থীরে, লুপা অহ লিশিং তরানি।

নোংডংলে; কনাশু লাক্লে। নিংথেম ওসিদি হুতিগী মতোংগুম হেক হৌপংপগা মফি-মরোল শেংচিক্লে। মাঙোলগী

ফম্ফম ফক মংক্তা মচা অপিকপদু পমত্তুনা ফমত্তুনা লৈরে। মেমচাসু ঙসদি হেক হৌগংপগা ইশৌ লাংতুনা মচাশিং লাপ খোংজে। মাঙ্গাল তৈথোক্লে, বুনাদেবী মখোংসু তৌথাক্লে। কন্নীদা ধূপ থাদুনা ফুগায়না শাংপী হৈরাং মালিকা হেক্তুনা সূর্য্য পূজা কৌরে।

শোরোকলোমদগী "থানিংথেম— তানিংথম—," হে হৌনা কৌকই। নিংথেম পাক খুমদে। অমুকসু কোরকই, "হে তানিংথেম—, ইতৈমা তানিংথেম হৌগংত্রিব্রা"। মেমচানা খুমখি, "ঙসাইনা হৌগংখে ইবুংঙো," "থেংখে, খোরকওনা সাইকল কেরিয়ারদা পুবয় হায়রবদাই।" নিংথেম চৌং-লেম্ল। হোৎকই।

"রাজেন, ঐ চংজরোই।"

"এঃ! কৈদৌরে, কদাইদা শূদৌরে?"

হুমঃ, কদাইদসু শূরাই।"

রাজেন সাইকল খোংখ্রে। নিংথেমনা মেমচাদা—

"ঐনা ঙগাং লুপা তরা পীরম্বত লৈদ্রব্রা?"

"লৈরি মঙা অমদি ঙরাং পুমিদাং চেং ৱানখে।

"মঙাদু পীরো।"

মেমচানা ফিজিদ কিরিবা লুপা মঙাদু নিংথেমদা পীখ্রে। খোংগ্রাও শেংনা শেংনা নিংথেমনা হায়—

"নং কৈথেল চৎলু, চেং মন অমা ৱাল্লুচো। অদুগা নংগী ফি শানবা লং হায়রবদুসু লৌরো, ঐ হোটেলদা-চা অমতা থকলুগে।"

"য়ুমদা থকপা য়াত্র', হোটেল অসি ভোটকী মী ময়াম য়াজাও ঙাংলিবসি তানিংব্রা ?"

নিংথেম থুমদে, মবুক্তা ঐস্নু ঐনা ঙাংনিংবা থরদি ঙাংবা য়াই থল্লিমাল্লে। থোঙ্গাল্লোমদা থোকখে। মাংমক্কদা য়ুংলিবা ফিরালন্থু উই। অঙাংবা মচুগী ফিরাল অদু নুংশিত্তা ফ্রে ফ্রে হায়রহুনা লৈ।

নিংথেম মথুত্তা লুপা মঙ পায়রুনা হোটেল চংখে। লুপা মঙা পায়রগবু ফিরালগী য়ারী লোঙ্গাশনব, চুমগদ্রা ? থাজদে। নিংথেমগী লুপা লিশিং তরা অদুনমু ফিরালগী থরাদ পোইবা ওমখিরোই।

লিলি, ঐগী লিলি।

অকিবগী মশক ফংলবা নুমিৎ অদুদা ঐঙাক নুংশা হাইদুনা ওমাংদা ফল্লমই। থোঙ্গাল্লোমদগী ঐখোয় ওফিসকী জীপ অদু ড্রাইভর অদু সাইকল থৌজিল্লকপা উই।

—এঃ তাদা করি থবক্কীনো ? কৈদৌরিঙ থোরকই ?

—ইবুংঙো ঐ ঙরাং থোরকপানি, নংগী চিঠি অমা য়াওরিনে, অদুগীদমক চংলকপনি। পীদবা য়াদে হায়রদুনা য়ম্মা চোকশিন্না হায়রকপদুদা হায়্না হেক্তা চংলকইবনি। ইয়াম্বা হেড ওফিস অমুক্ত য়ৌরকনিগে, সে সে লৌশিন্নু।

চিঠিথাও অহু হেক উবদা মরম লৈতনা ঐগী থম্মোয় তিং তিং চোংলকখি। হরাও তুজ্‌বগা লোয়নননা চে অহু ঐনা পায়খি। তাদনা—

—ইবুংঙো ইয়াম্বা চংলে লৈহৌরো।

— য়াম্না ফগনি, 'মুম লৈজহৌরে।

তাদা চংখে। চিঠিগী খাইদগী মকোক্তা থারি ফ্রোম লিলি গোলমৈ, প্রোপর তমেংলোং। পুক্নিংগী কাচিল কয়াদগী ইরাও-খোলগা লোয়নননা ইচেল কয়া চেনশিনখি। ঐগী লিলিনা ঐংঙোন্দা চিঠি!! ঐনা কয়াদা হরাওখিবা। ঐনা চংলমদাইদা মঙোন্দা নংনা অপাম্বা অমা হায়য়ু হায়না হংবদা মহাক করিমতা থুমখিদে। ঐবু চীংনা য়েংহুনা মহাকী মিংলু অনিমক পিগী ইরা চেয়া লৈহৌই। ঐগু গাড়্গা ফংলরোই খন্দুনা হোবে হোবে থোরকখি। ঐনা খনখি ঐনা ইম্ফালদা থোকপসি মঙোন্দদি য়ামা অরাবা লইরম্বগ থাই।

ঐনা য়াম্না চেকশিন্না অমদি তপ্না চেথাও অহু হাংদোক্লমই। মহাক্কী মখুংন ইবা চিঠি মচা অহুগী মরোলদি—

জয় তাদ,

নহাক ঐবু বারৌগনু। নংনা ঐনা খল্লগ্গা অপুম্বা অরেম্বা ওইরে হৌজিক্তি। অহুবু লিলি কৌবী চীংগী নিংভোল অমনা তমগী পাখং নহাকপু থরাম্ন হকচাং য়াওনা মুংশিখি হায়বসি অশেংবনি। ঐ লুংহাংগদৌরে। নহাক মফম অসিদা অমুক লাক্লগনু লাক্লবমু ঐবু থিরগনু, নহাক অরাবা তাগনি। নহাক

অমুক হন্না ৱারগনু। ঐস্মু ৱারলোই। ঐ হাল্লগুম ওতম চুঙ্গদা নহাক্কী ননাক্কা লেংদনা [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] ধর্ম্মগী খেন্নবা লৈতবা, জাং বিক্রাং খায়দব অহুংশ্ব মকম ঙমহুক্না নোংমদি নংগা ঐগা শোন্নদনা উন্নগানি। মকম অং কাঙ্কবাদ ৱারবস্মু ৱানা ৩াংবা তারমান্নে খল্লে। অসিমক্তনি, ঐনা হায়জগদবা—

নহাক্কী,
[illegible] [illegible]।

ঐনা মঙগী মতোৌগুম হন্না হন্না [illegible] মসি [illegible] মহাক্কী চিঠিনিকো। ঙসি ঐগী থাজনা থমজ্জরবী [illegible] ঐরেংচন্দ্র কায়নবগী চিঠি ইরল্লবা. কয়াদা ঙকখ্রবনো [illegible] অসি। [illegible] তাদনা ঐনা মকম অহুদা কয়া কুইনা ফমখিব ঐ [illegible]। জ্ঞান তারক্লবা মতম অহুদা ঐনা ইখিবা ৱারী মচা অহু কাঙ্গদ্রবান, শেগায়রগে খন্দুনা লৌথোকলুরে। ৱারী অহু শাজিনবা নক্ত ঐনা থৱায় হকচাং য়াওনা ইখিবা ঐগী পুন্সিগী ৱ ৱা মতেক অমনি।

ইন্টরভিয়ু কয়ামুক য়াওক্লরে। অহুবু থবক অমতম্লু ফংদ্রে। বিঃ এঃ পাস তৌরবা মতুং চহি অনি হৌজিনখ্রে। মরুপ মপাং কয়াদি মাগী মাগী থবক অমমম পায়নখ্রে। ইনাক-কৈরাক থুনবা কাংবুনা অচৌবা ওফিসারগী বেঞ্চ, লায়রবনা কেরানিনচিংবা ওইখিবস্মু য়াওই। লোয়নমক ইফ-কৈ, ওন্নমক হিংনবগী লম্বেল ৩াক্তনি। ঐদি অমবু ফংলবদি হেক্তা মতোৌরগে ফাওবা খল্লবনি;

অতুৱু কদায় ময়ক্তন্থ ফংল্লি। ঐবু তুংশিবা মরুপ-মপাংশিংনা থবক লৌগদোবা লৈরবদি ঐ ঙান্দা হান্না পাউ ফংহনবী। হন্দক্কি হল্লকপা য়াউ খল্লুবত্তু কদায়দনো অমা হেক্তা নাহ্নোকখি। মুমিং থোক্লা থোক্লা সংসারসি ঐঙোন্দদি মমশিল্লক্লে।

মমৈথংদা ইমাগী নাদ য়াল্লবা, মতম কুইনা শিজ্জরক্লবা খুদোপ অসিদগীন্থ হেক্নোক্লুনা লৈম-শিজ্জ ওইবগী লুনা-চান্না থমজবা খুদৈদমেল কাংদেল পুম্নমক থোক্নোক্লুনা লুপা লিশিং অমদি লৈরে। উচিন নাচিন্না ওঝাগী ইন্টরভিয়ু অসি অয়ুক য়াওরুরে। ইচে লৌবা ইবায় অমনা শেল পীকম শিখুন অমা ফংলে, লুপাদি লিশিং মঙা পীবা তারে অহুগা ঐগী লৈজরিবনা লিশিং অমা, লিশিং মরি বাংলি। ঐ উপায় লৈত্রে।

থরা লৈংগা নোংমা ইবায় লাকখি। "ইবুংঙো অহুমদংদি শুহনসি।" ঐ য়া ভাংদে: ফংনু ফংক্লৌ হায়রবদি উপায় অমা লাক্লে। ইন্নো থিবত্তুনা অদুম পিখ্রে। ফল হায়দোরক্লে। ঐহাক তমেংলোংদা ওঝা ওইবা চংলগনি। ইচেগী লুপা লিশিং অন্দি তোল্লে হায়ববু ঐ তরাওবনা লুত্তোন কাখ্রে। থাপ্লা চংখিগদোবসি খল্লুবদা ইমাংদি কপ্লি। ঐদি করিস্থু বাদে।

ফিরোল থরা য়োম্লে চান-থক্কবা লাংলহুনা ঐহাক বস তোংহুনা হিংনবা লাম্নসহুদা য়াম্না হরাওনা চংলে। বস তোংনা তোংনা ইচেগী শেনত্তু কৈদৌউ শিংব লোইগনি খল্লি। অমুকস্থ তলব ফংলবদি করিগী শিংদনি খল্লি। তলব চাবা হায়বত্থ য়াম্না মুংঙাইদোবোই খল্লুই। লম্বীগী নাকল অনিমক্তা চৌং, উ-পান্বী,

মোংশোং কয়াদা ফম্লথ্রবা : অমুক্তু শুক্রব লোকন্নুং। পীক্রবা লম্বেল অহুদা গাড়ী থেক্লা খোয়্বনা চেল্লি। ঐগ কম্মীগ্নরিবা চীংগী ইমা হনুরবী অহুদা ঐনা মরম ইলৈ লৈতনা রারী শানীংলুরী—করিগীনো— ? ঙসি ইখং থংহৌদনা মখোয়গা অমত্তা ওইবগী য়াথল লাকপগুম তৌই। তশেংবমক্তৌ ঙসিগীদা মত্তে অনিশুবা হেক তম্লকপদগী হৌনা "চীংতম অমওনি" "ঐখোয় ইচৌল ইনাওনি" হায়না ইবা য়ারেং শৈরেং ভাক্ক তগ্রক্রিবনি চহি মঙ্গাতা ঙায়রিউদা চীনক্না পুখ্রবা শৈরে তৌজিকন্তু মাকোক্তগী লোয়বা ফাওবা থিবা ঙমগনি। অনৌবা মণিপুরগী অনৌবা য়াওল অমা লাক্লমাল্লে।

ওঝা অতৈ অতৈগা নক্লনা ঐন্তু য়ুম মচা অমা ভারা হৌত্লনা লৈরে। ঐঙোন্দা করিমত্তা অৱাব, তাম্লব লেংে। ছুটিগী মতম্দা মরুপ-মপাংশিংগী "ফম্ব" অহুদদি ঐ হৈনদবনা য়াওক্রদ্রে; মখোয়না ঐবু লক্কে মফম অসিদ। ল ঞগা মসিবু হৈরব মী অঙ্গাদ ঙাওখিবা অমা, নক্রগা হেক্লোইংনা চেনবা অমা, অনি অসিগী মনুংদা অমদি শোক্লত্রবনি। মখোয়না তাম্ব—মসিদগী লাক্রবদি য়ু থকপরা জ্বার শান্নবরা অমদি তৎশিল্ল। তাংশংনমক ছুটি ওইংবদি লৈফম থংদবা হৌরক্লে। ফিজ্জাও ইন্দনা ঐগী ফম্নুং মপাগী অপীকপা থোংনাও অহু হংদোক্লুনা অথপনা লৈরিব; লৈচীম্না কুপ্লব অমুবা চীংগী পরেংদা ঐগী মিং থয়ী। খুল মচা কয়া অনেৎদা অরাংবদা অপীকপা য়ুম। মী থোকৈনা চঙ্ও। অসিথক্তনি ঐন হেক হেক ঙোংজরিবা হায়ববু। মরক মরক্তা শন পুৰী ইমাশিং।

নোংমদি শম পুবী মুপী খরা মরি-মরি লাকখি। ঐগী ইঙ্খাং নাপি অমতা লৈত্রে। ঐনা হংখি—

—ইমা করি করিনো পুরিবতু ?

—ইচা কমলানি।

—খরা লৈহৌগে।

ঐনা কমলা খরা লৈখি। মুমিং অতুদা ঐনা মহাকপু উখি। মানস্ত ঐবু উরমগনি। ঐনা মখোয়দা হায়খি—

—হয়ে য়ুক্কী ইঙ্ক রঙ্গ খরা পুবিরকউ, হরাই চাবদা শিগদৌরে।

খরা লৈরগা মখোয়না পান, মাইরেল পুরকখি। ঐগীস্ত খরা লৈহৌরে। ঐগী ইমানবশিংস্ত থোকুনা মখোয়গী পোৎ অতু অয়াম্বা লৈহৌরে। ইমেকত্রিক্কা চীংশিনখিবগুম ঐনা মঙোন্দা হংখি—

—নংগী নমিং করি কৌই ?

—"লিলি', মং ক্লা খুমখি।

হৌজিক্কি মক্কম অসিদা ঐগী খংনবা মী য়াম্না লৈরে হায়বা য়ারে। ঐ অমুক হন্না ফিজাও ইন্দূনা থোংনাও মপাদা ফমজ্রে। লমী থোং য়াম্ন খংবা মীগুম কোয়চং চংপা হৌরে। লিলিখোয়গী য়ুমস্ত থোইনা থপ্নমজ্রে ; মহাক্কী ঈশিং শোকফম ঐ খঙজে। ঐনা মফম অত তোয়না তোয়না চংপদগী ইতং তত্তনা উনরে। মফম অতুদা ঐখোয় অনি য়ারী কয়া শানখি। য়ারেম ঙাক্তনি হায়বা য়াই। নোংমদি ঈশিং শোকফমদা ঐনা মহাকী মায়থোং লাংশিন্না উখি, ঐনা হংখি—

— জিলি নহাক নণা ঙমদ্রবর' ?

"ঙমই" হায়না খুন্নগা অমুক তুমিন্না লৈখি। মঙোন্দা শাগ্রিবা অহোংবহু উংদা ঐ য়াম্না লাংঙক্লখি। ঙাইহাক লৈরবা মতুংদা মহাক্না ঐঙোন্দা হংখি—

— তাদা, ঐখোয় চীংগী মীবু নখোয় তমগী মীনা মাংই হায়্নবরা ?

জিলিগী রাহংদা য়াম্না ঙকখি, ঙাইহাক অতুদ' কবি পাউখুম পীগদবনো খংখিদে। শোন্দ্বাংননা খুমখি—

— মমাংঙৈগী রানি, নিংথৌ পাল্লিঙৈদা।

রা অসি হায়রবা মতুংদা ঐনা মঙেন্দা শংগ্রিক য়েংতুনা লৈখি। মতম অহু কাওবা মহাক্না ঐঙোন্দ, য়েংলকপ তাংদ অহুগা অমুকস্থ—

— ঐগী ইপানা মৈতৈ পাখংগা মরুপ ওইবা খিংলে। মহাক্না হায় তমগী মীনা চীংগী মীবু মী ওইনা খনবিদে ইন্নুংদা চংবা য়াদে, চামিন্নবা য়াদে, শোক্লবা য়াদে, অসি পুন্নমক অচুম্বরা ?

জিলি ঈশিং পুত্নুনা চৎখিগদৌরে। ঐনা মহাক্না মমাংদা থংতুনা ঈশিং অহু মুল্লে, নুংপাক অমগী মথক্তা ঐনা মহাকপু নমতুনা কমথহল্লে ; ঐস্থ কমলে—

—জিলি ঐনা নংগা থংনৈ হায়বসি নংগী বাবাদা কনানা হ'য়।

ঙৌরোক ঙৌবা মমায় অহু থাজংতুনা ঐঙোন্দা তম্না য়েংতুনা হায়রকখি—

—মীনা হায়বা নত্তে ঐনা হায়রবনি। ঐগী ইপানা হায়, মৈতৈ পাখংগ খক হারী শাকুগদ্রু। মখোয়দি লৌনম চাওবনি, চৌংগী মুপী মাংহনবনি

ঐ শাওনিংবনা ঈ কারকখি অদুবু মাংদা করিমতা অথুপ্পা লৈতমথৈ মানা তাজবা হরা অদু তিংনা হায়দোক্লহনা থৌনা ফনা মদুৈ.বী লিলিবু উবদা অশাওবা খরদং ফাথরহনা ঐনা হায়খি—

— লিলি নখোয়গী বাবানা হায়বদু মমাংডৈগী হানি। হোয় — খরা মথৈদি চুপ্পশু য়াই। লৌনম চাওবগী হাদুদি তোক্লসি। ঐনা খনবদা হৌজিকী মতম অসিদা জাতি খুদিংমক্কী অপং-অশিং মশিং চপ মান্নরব্রা হায়না খল্লি। ঐস্থ মুংভাইতে কনানা করি মরমগীদমক অমদি মতৌ করম্না ঐগা নংগী মরক্তা চৈথল অসি থমখি বনো। মোংফমশিংদুদা চংলগা হাহংসিগী পাউখুম থিরুবা ওইথোক্কব্রা ? মোংফমশিং অদুদা হাতাখি বশিং অদু মরোল খংদবা হরিনাম অমদি সমুদ্র হাংমদা লৈবা জেরুসালমদগী থিংলকপা কাংশিগী মখোল, মখোল অনি অসিনা শুঙ্খংথ বনি। মখোয়গী অক-কত্ত জ্ঞান পূম্নমক অসি ওইথ সপ্থ নহাকস্থ নখোয়গী বাবাগী হা মতুং ইন্না ঐবু লৌনম্নগে অসি নত্র' ?

লিলিনা য়াম্না শাওনা হায়রকখি—

—নত্তে !! অদুম্না তৌবরা হংবগী হাতনি।

—ভৌদে ! অতুগা রাখল অমদি লৈ, অনি অসি অমনা চীং অতুগা অমনা তমনি। পুন্সি মরেল অতুদি থরদং খেন্নবস্থু ওইবা য়াই। তমদা তুরেল চেল্লি, পাং লৈ, য়ুমথোং খুদিং পুখি লৈ। ইঙা ইঙেন কান্দদি থরো থম্বাল থারিকথা ঈমায় চোনবা ঈশিংদা হাইনা হুম্না শাংপদি পুক্নিং তুনা মশক্নি। লৈশা-পাখং, অঙাং নুবি. অহল-লমন পূম্নমক নোংমগী ইক্রজব. শিন্থ নি। মতমতুগী অহলশি না ইক্রজদবা মীগা তোংনবা, তিন্নবা পান্নমদবা হায়বতুদি ঙাকপিবা য়াবা পীক্লবা মরালনি খল্লি। ফরে, মীগী বা তোক্লসি ইমানিগী বা খন্নসি—

— হায়য়ু নং ঐগা লোয়মনা চংশিবা ঙমগদ্রা ?

— ঙনগনি !!

[লিলিগী থৌনাদা ঐ অকিবা পোকখি। মহাক্কী পাউখুম্না ঐবুস্থ থৌনা হাপ্লিখি।]

—হুমিং থেংলে, খিনবিরগে, চংকদবা হুমিংতু হয়েং হায়রগে। ঐনা অমুকস্থু হংখি—

—লিলি নখোয়গী বাবঃ শা ওরোইব্রা ?

মহাক্না হায়খি—"শা ওসম্ন"

লিলি চংখে। ঐস্থু রাখল খন্না খন্না য়ুম চংলে। পুক্নিংদা খল্লে—"হয়েংমক য়ুমদা চংতুনা মো অমা লাকপগী হৌনবী পূম্নমক চপ চানা লাংলুখিগে"।

য়ারীদি লোইখ্রে। নোং হেক ঙানবগা ফি শেংলে, অফংবা গাড়ী অমদা য়াওখ্রনি। মখোয়গী লম্বী ময়াদা মহাকপু ঙাইহন্না লৈরে। ঐবু উরমাল্লে মহাক চেন্থোরক্লে। ঐনা হায়খি—

— ঐ চয়োল অনিগী মতুংদা লাক্লে। নহাক শেম-শাহন্না লৈরমউ। য়া অসি কনাদম্তু হায়দোকল্লু। ঐ য়ুমদা খর্ম শেম-শাগদবা লৈ।

মহাক তুমিন্না লৈ পাওখুম অমতা পীরক্তে। গাড়ীগী মতম য়ৌশিল্লক্লে, মহাক য়াম্না নুংঙাইতবগুম উই। উনা উনা য়ারী মখা চত্থনব মতম লৈখিদ্রে।

হৌজিক্তি য়ারী লোইরমাল্লে; অমুক ইথনবগী মচাক লৈত্রে। ইরুবা খরা অহু শি কুপ শানা শেগায়রে। কাম্নজবা য়ারী থম্নবদি করিগুম্বা নোংম-ফাদোক মীনা পাখিবস্তু য়াই।

ইমা

গঙ্গাগী পান দুকান অসি ঐখোয় ময়ামগী কা চাফম হায়বত্তু ওইরে। ওফিস ছুটি হেক থাবগা ময়াম উন্নবা ওইনা ঐস্তু কা চাবা হেক হেক চংলি। অস্তুম কুইশিল্লক্লবনিনা মানস্তু ঐখোয়বু মশক মুন্না খঙলে। গঙ্গা মীচং মীথোকস্তু হায়নিংঙাই লৈতনা ফজে। ঐ অমস্তুং ঐগী মরুপশিংবু উরবদি অমুক হায়নবা তোদে, মনা লোখংদুনা শুনু তৈবা হৌই, থোইনা মতম চংহন্দে। খ্বায়দগী

হেন্না ফরিবদি ঐখোয়না সিনেমা য়েংবা ত'রবা, মহাক্না ঐখোয়
ময়ামগী স্কুটর অদু কজনা য়েংশিনবিরমই।

নোংমা নোং থিংলি থিংলি তাবা শুনিং অমদা ঐনা গঙ্গাগী
পান দুকান মনাক্তা গাড়ী থম্লে অদুগা হংলমই—

—গঙ্গা কনা কনা হাইগৎনখে।

—বাবু নোং তাবনরা কনাসু লাক্তে।

—ফরে, পানা মতপ অমা চারগা চৎখ্রবা হায়বন্নি।

—বাবু, ভাইহাক্তংদি ভাইবিয়ু; মনা লোইথোকপ্রে; লৈবা
চৎখ্রে; লাক্লনি।

ঐসু ভাইহাক ভাইরে। ভাইহাক লৈরগা পুংকক চঙবা
নিপামচা অমনা স্বর থবেৎ-থবেৎ মনা ময়োম অদু কোন্দুনা চেল্লক্লে।
ঐনা গঙ্গাদা হংখি—

— গঙ্গা অভাং অসি কনানো?

মহাক্না ফাগী তৌদুনা হায়খি—

—ঐগী ইচানি বাবু।

—চাওরে হে নংগী নচাসিদি।

ঐ পানা চানা-চানা ভাইহাক পস্থদুনা লৈরে। মুপা মচা
অদুনা কমথরদুনা ঐগী স্কুটরদা মুন্না য়েংলগা হায়খি—

—বাবুগী স্কুটরসি লৈখোম ভাক্তা ভায়রে, শেংদাক্লগে।

ঐনা হায়খি—

—শেংলুহুদা, হোরেল নোং অমুক তারগা হান্নগী হান্না অদু
মভায়খিনি।

— এঃ বাবু নোং শাংরোই, অতিয়া পুমশেং শেংলে।

মাগী ম্রাঙাং তাবদা ঐহাক য়াম্না নেংক্লিংলমই। মহাক্কী বঙং শাঙাং অদু য়াম্না খঙ হৈরবা অহল অমগী মতৌঙুম মঙক্কা হাইরদুনা হায়রম্মই। রঙাংনা ঙাংনা মহাক্না ফি মচেং অমা পায়দুনা ঐগী গাড়ী শেংদোকপিবা হৌখ্রে। ঐস্থ মরপ মপাং খরা ডাইভোর্ট কারবেই মহাক্না তৌরিবদু য়েংদুনা লৈরে। পীরবা ফি মচেং অদুন করম্ম শেংখিবা; ঐ ফাওবা হৈগনি থাজদে। ইবৈশ ডাল ও জদুনা গাড়ী শেংবা লোইখ্রে।

— নোংমু হাংখ্রে, মরুপ-মপাং কনাম্মু লাক্রে, ঐ চংলগে য়াম্না তুংডাগরে, গাড়ীমু শেংনিরে। পৈশা কয়া পীরম্মুগে।

মহাক ঐগী বা তারগা তুমিন্না মরু লুকথদুনা লৈ। ঐনা অমুকম্মু হংখি —

— হায়রে, নংগী পৈশা কয়া পীয়ুগে?

— খঙদে, খরা হেক্রা পীয়ু।

— খরা হায়রবু কয়ানোনে, ঐনা পীবদু নং হেক্কা য়াংদ্রে?

— য়াদি বাবু ঐখোয় ইমানা মীনা অপীবদুতা লৌ হায়।

— অদুমু নখোয় ইমানা অপীবদা লৌ হায়রবম্মু নংগী অপাম্বা অমদি লৈরমগনিদনা।

— লৈতে, অপীবদুতা লৌগনি।

ঐনা মতেংন্দা লুপা অনিচংপী নোট অমা পীরমই। মহাক্না মদু লৌরগা মহাক্কী ফুরিংখাওদা হাপচিনখি। অদুদগী ঐ অদুম গাড়ী থৌদুনা চংলে।

চহি খরতমক হৌখি। য়াম্না ডাকু ওইরবা অঙাং অমগী মমিং মীয়াম্না ঙাংনরক্লে। মহাক্কী মমিং গোপাল কৌই। মীনা মহাকপু অঙকপা ফংনা তমথিরবা মী অমগুম ঙাংনৈ। ঐসু মশক অমুক অনিরক উখে। হেক উবমক্তদা অমুক উখ্রবা মীগুম নিংজিং মাংজিংনরে, পাক হেক লাকশিনবসু ঙমদে।

নোংমদি পানা চানা চানা গঙ্গাদা হংখি—

—মীয়াম্না হায়নরিবা গোপাল হায়বসি কনানো গঙ্গা ?

ঐনা বাহং অসি হেক হংবমক্তদা গঙ্গানা তকক তথক্লা ঐঙোনপোমদা য়েংলকখি। ঐনা অমুকসু হন্না হংখি।

—ময়াম্না হায়নরিবা গোপাল হায়বসি কনানো ?

—বাবু, মতম খরগী মমাংদা ঐগীসিদা পাঙথোল চংলম্বা নিপামচা অদুনি।

—এঃ! মহাক ওইরে, য়াম্না অঙাংনিনে। চহি অনি অদুম অসিদা য়াম্না য়াংলম্লে। গঙ্গা মহাক করি লমদগীনে ? মমা মপা লৈরিবজাংলা ?

—করি লমদগীনো হায়বদি ঐসু খংদে অদুগা মমা মপাদি লৈত্রবজাংনিদা। তুঃ মমাংগী হোটেল অসিদা পিশক পীক্লিদৈদগী য়স চাম্বা য়াওরম্বনি। অদুদগী খংনরক্তুনা ঐগীসিদা পাঙথোল চংতুনা থা অনিগুম্বা লৈমই অদুদগী অদুম উখিজ্রে।

—অদুবু নোংমা নংগী হুকানসিদা মহাক্কী মম লেবগুম বারী শারমই।

—খাবু মহু মান্না হায়জিনবনি। ঐঙোন্দসু অহুম্না হায়রমই,
অহুবু হোটেলগী মীনদি মাগী মমাদি মহাক হেক পোকপগা
শিখে : মখুরানা য়োকই হায়।

ঐ ভাব তারে; গাড়ী খোদোক্লে। থৌনা থৌনা ঐগী কোক অসিদা হুংতুনা মীওই অনিগী শকফম চিংশিল্লক্লে। মখোয় অহুদি গোপাল অমস্তুং মহাক্কী মমা।

ঐগা মাগা খেনবা নুমিৎ অহুদা —ঐনা মাবু লৈরক খুল্লক্লা য়ারেক্পা, মপী মপা লৈত্রবা অভাং অমগুম উখি। তশেংনমক মহাক্কী শকফমস্থ মহুমক্লি। মশম মনা ইফা ফাই, শেগায়রবা খোংগ্রাও ফু রৎ। অহুবু নুমিৎ অহুদা ফিদমনিঙায় ওইরবী মমা অমগী য়ায়া হায়বা ইল্লবা মচা অমগুম ঐবু কিহনখি। মহাক্না হায়খি—"ইমানা. মীনা অপীবহুতা লৌ হায়" ঘাইহ অসি নাকোং অসিদা হৃজিন হৃজিন তারি। তৌববুদি ইমা হায়বসিদি মহুম পুন্নমক্তা মচাবু অফবা থবক্তা তৌ হায়না তাকপি। মমা অমতনা মচাবু ফত্তবা থবক্তা ইনশিনবা তৌদে। অথুম্বা চাবদগী তিল হৌরবা অঙাং অহুদা খঙদবদগী মমানা হৃজিন হৃজিন অথুম্বা পী শিল্লি; মহু খঙদবদগীনি। মমানা খঙদবা শরুক মপানা তাকপি। অহুগা মপানস্থ খঙদবা শরুক অহুনা সমাজনা মেনশিল্লি। দ্রোনা-চার্য্যবু গুরু ওইজবা ফংত্রবা একলব্য কৌবা শূদ্র মচা অহুনা ভাবনা শাবা দ্রোনবু গুরু ওইজবগুম গোপালস্থ ভাবনা শাবা মমা অমা লাংচরমই। অসিগুম্বা যুগ অসিদা ভাবনা শাবা মধান কয় কুইনা গোপালদা পাউতাক পীবিগনি।

মতুং মমাগীবা কয়া মম'না মথুং শাংদুনা শোঁরে'ক্লা চংলিবন্থু উবদা মহাক কয়াদা কল্লকচংমগনি। সিংমা কয়াদা উংলি, মমাগী শক্তম কয়া মচাগীদমক থরো'য কথে কপা মচা'বু অফবা, থবক তৌনবা পাউতাক কয় পীব, মদুক্তা শোয়দনা খল্লমগনি, "ঐগীসু ইমা লৈরম্লব'দকো .... ! ঐগী ইমা অমত্তং, ইমা ... ! ইমা ...!" নহাক্কী নঙণ কয়াদা চাওখৎব।

মীনা হায়রৈ, গোপাল পুলিসনা ফাদ লুপে। কনা কনাগুম্বনসু হায়নবা য়া'ওক্ত, মতুদি - "পুলিসকা য়ানররনি।" মসিবু ওইথোকপা য়াবা য়ারা। হৌনব ডাক্তরা থবক তৌব মীগা পুলিসকা কয়া কুইনা য়ানগনি; নোংম মত্রণা পোংমদি নোংদমনা শেম্বা গোপাল শোয়দনা পুলিসনা ফাখিগনি; পুলিস চুপ্পা জেলদা লৈখিবসু য়াই। মতম থরগী মমাংদা ভাবনা শাবা মমা অমা মাংদা থমহনা অফবা থবক্তা তৌগনি হায়না বাশক্লথ্ব গোপাল হৌজিক চাওরে। খুদিংমক মায়োক্লবা ওনক্লরে। মমাগী দরকার লৈত্রে। মমাগী শংনা মমাগা লোয়ননা চংপা উবগা করিস্মু কল্লকপা ফাওদ্রে। অমরোমদা মহাক্কী থবকসু লেপ্পা লৈতে; ফুন-চৈনবা, কলাবজার, সাইকল লাকপা মহাক্কা ওমদবা থবক লৈতে। লম্বাম্ব থম্বাম্ব. সহর, চীং-মান মহাক্কী মমিং তাদবা লৈতে। মহাক্কী মশাদা থোজাল'নি হায়বা মচেৎ অমতা পক্লে। মমিং-মনা কোরিমুক ঙাং, মকোই-মরাং ইচোম চোম্নহুনা মীহিং চাবগী শক্তম লৌরি। কি-তুক্কচনরব শক্তম অসি উরগা, মীয়াম্না হংনরি "কনাগী মচানো কনাগী মচানে।" পাউখুম ফংবা য়াগনি। য়া'হং অসি

গোপালনা তারবদি নে কনি অদুগা হায়রগনি "অপংবশা হৌজিক মতু হংবগী মতম থেল্লে, হংলমু। মতম অমদি লৈরমই মতু হংহন্নীংবা, মতুদি- ঐনা ভোটেলদা গ্লাস চাম্পিক্লৈঙেদা। গ্লাস কয়া শোয়দুনা থুগাইখিবা, মেনেজরনা ঐবু ফুদুনা ভাম্মোকখি। নঙল অসিদ মশীং খুডদনা চৈথম কৈখি। নুমিদাং লোয়া চেল্লকখি। তুম্বম লৈতদুনা সোরোক মচি অমদা তুমখি; মিৎকপ থোরকপদা শুর-ময়বা অশিং অদুদা ঐনা কাদা কিজখিবা। ইঙা থাগী নোংলিক্লা ঐগী কোকথক্তা অংং-অখম লৈতনা চুথখি। ঐ চাক লাম্বনা সোয়োক্তা হায়থখি, অদুগম্বা মতমদুদা নখোয় কনা'মতনা ঐবু কনাগী মচানো হায়দুনা কোনখৎপিখিদে। মতমদুদা ঐনা কপখি ইমা…! ইমা…! হায়না। মীহিং চাবগী শক্তম অসি লৌরমক্কবদি হৌজিক ফাওবা মীওইবনা ঐবু ওৎলমগনি।"

হৌজিক্তি মীনা মীবু বিচার তৌবা য়াক্রে। মীওইবা সমাজনবু লাল্লবরা ডাকু ওইহৌরিবা গোপালনবু চুম্বরা ঐখোয় খঙদে।

নোংমদি ঐসু থরা থেংথে। ইমাম্বনা চাক চাখসি হায়দুনা চাথোক্লে। নুমিদাংগী পুং ভরা হেনখে। লাইট-সো লোইবতা মঙায়রি। ঐসু করিগুম্বা গঙ্গাগী পান দুকান হাংলম্লবদি পানা মতপ অমতং চাখিগে খন্দুনা অদুম হাইথরক্লে। মী চেক-মোক লাওনদ্রে; ভারিবা হায়রবু ঐগী ফুটর মখোলতা মঙায়রে। গঙ্গাগী পান দুকান মনাক য়ৌরে। গাড়ীসু য়োদা অমুম থোবহুদা ষ্টার্ট হেক মুংখে। অমম্বা মরক অহুদা চেল্লকপা খোংথাংগী মখোল অমসু নাশোল ওইনা তায়। ভাইহাক তিঙক-মাইঙক্রিবৈঙদা

মকোই চোম্বা, মশা পাবা, মরেপ বাংবা মুপা অমা মুংশিংকী মমাং থানা চেল্লক্লে। মশক লাকশিনব ঙমদে। মহাক্কী ফিজোল হায়বা ওয়োই। অমম্বা মুমিদাংদা মীচেন অমগী মতৌগুম স্বর থবেং থবেং হোন্দুনা চেল্লকপনি খঙই। মহাক হূরানবা ওইরম্বা য়াই; নত্রগম্ মরাল নৈরবা মী অমনি হায়বদি শোয়ক্রে। ঐগী পুক্কিংদা মরম ইরৈ নৈতনা চিংনবা পোকই। মহাক কনানো হায়বহ্ খঙনিংলকই। মহাকশু অমুম চেনশিল্লকুনা ঐগী ইপা হেন্দোকখিগদৌরে। মহাকম্ম ঐনু হেক উবদা তফিংনা য়েংলকখি, ঐগা মহাক্কা মিংচানরে। ঐগী চিংনবা থংহেন হেনগংলক্লে, মহাক গোপাল শোয়দনা ওইগনি। মহাক্কী মাংকৈরোমদা মিং অসি কুপ্তুনা য়েংতুনা লৈরে। খুায়দগী ওক্লিবদি শো লোনখ্রবা গঙ্গাগী পান তুকান অহু থুনা য়াংনা হাংদোক্কুনা মহাক মমুং চংখ্রে অহুগা অমুক মমুংদা থোং লোনশিনখ্রে। মহাক্কা মসি কয়ামুক থুনা অমদি হৈশিংনা হোংনখিবগে হায়ববু ঐওোক্ক দি মিত্রংশুম থোকখি। ঐ কুইনা লৈনিংদ্রে; চংলগে খন্দুনা গাড়ী থোৎদোক্লে। গাড়ীগী মৈত্তাংসদা লৈখায়রবা রাইথু অহু মপানগী পুনা অতুদা ফ্রে ফ্রে হাইতুনা লৈরে। পুলিসনা নত্রগা কনাগুম্বনা উরবদি শোয়দনা চিংনরগনি অমসুং শো লৈখংখ্রে হায়বসি খুদক্কা খঙলগনি।

ঐনা করি রাখলদগীনো খঙদে; হায়রিবা রাইথু অহু থুনা চংশিন্দুনা শঙ্গোকলুরে। রাইথু অহু অথুবা গলি অমদা লাকুনা লংখ্রে। সেলর লৈথংতুনা খজিক্কমক থোগংলি; পুলিসকী জীপ অমা ঐগী তুংদা থোগংলক্লে। গাড়ী মমুংদগী লাওরকখি—

—লেপখো !

ঐ লেপখি। মখোয়না ঐবু চ্যোক তৌখি। ঐ করিস্সু খঙদবগুম তুমিন্না মখোয়না তৌবা খুদিংমক য়াখি। য়াম্না ভাব তা'রবা মীগুম মখোয়দা থাহং অমতস্সু হংখিদে। পুলিস অমনা হংলকখি—

—শোমদা মী চেনখিবা উহৌব্রা ?

ঐনা খুমখি—

—উদে··· !

—ফরে চংলো, য়ারনি।

য়ুম মৌরে, ফি-রোল হোংদোক্লে, অঙাংশিং লোইনা তুম্লে। অদুগা খোংগ্রাংদা লুপা কুনচংগী অনি হাপ্পনি, অমখক্তমক য়াওরম্লে। পুলিসনা চ্যোক তৌবদা য়াওখ্রমাল্লে।

অহৌং নোংশোইবা তুম্বা য়াখিদে ; গোপালগী য়াখলনা খোপসিদা ঙংহুনা লৈরে। মহাক ঐগী কনাস্সু নত্তে, অদুবু ঐনা ঙসি তৌরুরিবা থবক অসি করিনো ?

———